# এয়ার ফোর্স ফাইটর ৮না পাকিস্টানগী জেট ২৪ থৎখি



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***

পাকিস্টানদা হৌজিক ফাদুনা লৈরিবা এয়ার ফোর্সকী ৱিং কমান্দর অভিনন্দননা পাইলোট ওইখিবা এম আই জি ২১ বিসোন অমা য়াওনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফাইটর ৮না লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা লানশিলক্তুনা এটেক তৌনবা হোৎনরকখিবা পাকিস্টানগী ফাইটর জেট ২৪ থৎখি হায়রি।

ৱিং কমান্দরনা পাকিস্টানগী এফ ১৬ জেট অমা খূৎলৈ থুনা তান্নখি অমসুং আর –৭৩ এয়ার টু এয়ার মিশাইল অমা কাপখি। এফ ১৬গী ২–সিটর ভেরিয়ান্ট অমা ওইগনি থাজবা ষ্টেট –ওফ–দ–আর্ট পাকিস্টানগী ফাইটর অদু কাপথখি। মদুগী পাইলোট অনী লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পাকিস্টানগী নাকনদা পেরাচুটতা চোংথখিবা উখি।

পাকিস্টানগী এয়ার ফোর্সনা ইন্দিয়াদা পাশিল্লক্লিবা অদু এফ –১৬গী ৮, মিরাজ–৩গী ৪, চিনানা শাবা জে এফ–১৭ থন্দর ফাইটর ৪ য়াওই। মখোয়গী ফোরমেসন অদুদা য়াওরিবা অতৈ এয়ারক্রাফশিং অদু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা খূৎ হেক হল্লকপদা মখোয়গী এটেক ফোর্মেসন অদু ঙাকথোক্লবা এস্কোর্ট ফাইটরশিংনি।

চাওরবা পাকিস্টানগী এটেক ফোরমেসন অদুদা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী কিলোমিটর ১০গী মনূং য়ৌশিলকপদা অয়ুক পূং ৯.৪৫দা মখোয়বু খঙবা ঙমখি।

পাকিস্টানগী ফাইটর জেটশিং অদুগী মনূংদগী খরনা লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমা লানশিল্লকপদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ফাইটর ৮– সুখোই–৩০ মরী, অপগ্রেদেদ মিরাজ ২০০০ অনী অমসুং এম আই জি ২১ বিসোন অনীনা থৎখি। পাকিস্টানগী প্লেনশিং অদুনা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা মখোয়না এটেক তৌবা পাম্লিবা মিলিটরি টার্গেটশিংদা লেজর–গাইদেদ বোমশিং থাদরবা তূংদা অমুক হন্না পাইখিবগী খোঙচৎতা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা তান্নখি। মখোয়গী বোমশিং অদু টার্গেতা পানগদবা খজিক্তং ৱাৎখি।

পকিস্টানগী জেট ফাইটরশিং লৈরে হায়না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ফাইটর অমনা ৱিং কমান্দর অভিনন্দনদা চেকশিন্ননবা পাউ পীরক্লবা ফাওবদসু মহাক্না পাকিস্টানগী প্লেন অদুদা এটেক তৌখি। আর –৭৩ এয়ার– টু –এয়ার মিশাইল অমা কাপশিনখি।

পাকিস্টানগী এফ–১৬ শিং অদুনসু মিশাইল ২ কাপলকখি। মিশাইল অনীদুগী মনূংদা এদভান্স মেদিয়ম রেঞ্জ এয়ার টু এয়ার মিশাইল (এ এম আর এ এ এম)অমনা পাইলোট অভিনন্দনগী প্লেনদা পানখি। মদুদা মহাক্না প্লেনদগী ইজেক তৌখি অমসুং লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পাকিস্টানগী নাকন্দা তাখি অমসুং মফমদুদগী মহাকপু ফাখি।

ঙরাং য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা ইন্দিয়াগী ৱিং কমান্দর অভিনন্দনবু মমিৎ পুনশিল্লগা মখুৎ তুংবুন্নরগা অমসুং মাশাদা অশোক–অপন থোকপগা লোয়ননা ৱাহং–পাউহং চংবগী শক্তম উৎপা ভিদিওশিং থাগৎলকখি।

অদুম ওইনমক লানগী বন্দীশিংগীদমক লৈরিবা জিনেভা কনভেন্সন থুগাই হায়না পাকিস্টানগী মথক্তা ন্যু দিল্লিনা মরান শীখিবা মতূংদগী ভিদিও ক্লিপ অদু লৌথোকখ্রে। কোন্না শন্দোকপা ভিদিও অমদা ইন্দিয়ন এয়ার ফোর্সকী পাইলোট অদুনা চা থক্তুনা লৈবা অমসুং মহাকপু পাকিস্টানগী অর্মি ওফিশারশিংনা নীংথিজনা য়েঙশিনবীরি হায়না ফোঙদোকপা উৎলকখি।

# ইশ্রোগী সেটিলাইটশিংনা আর্ম ফোর্সশিংদা লৈবাকপোকপগী বালাকোট এয়ার এটেককুম্বাওপরেসনশিংগী মরুওইবা মচাক পী




***বেঙ্গলুরু ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***

ইন্দিয়াগী স্পেস কেপাবিলিটিজনা লৈবাকসিগী আর্ম ফোর্সশিংবু হেন্না মহৈ ফঙ্গদবা মওংদা থৌরাং তৌবা ঙমহল্লি হায়বসি অরোনবা নৎত্রে। অদুবু ইন্দিয়ানা য়ৌবা ঙল্লিবা থাক অদুদিঃ ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইশ্রো)দগী ফঙবা ই–পাউগী মতূং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাকিস্টানগী বলাকোটতা চত্থখিবা এয়ার এটেকশিং অদুগুম্বা আর্ম ফোর্সশিংগী ওপরেসনশিংদা মরুওইবা মচাকশিং পীদুনা ঐখোয়গী সেটিলাইটশিংনা পাকিস্টানগী শরুক অপূম্বগী মথক্তা য়েঙবা ঙম্মি অমসুং লৈবাক অসিগী লৈকং লমগী চাদা ৮৭কী হায় দিফিনিসন মেপ্পিং পী।

ইন্দিয়ান সেটিলাইটশিংনা পাকিস্টানগী স্কৱার কিলোমিটর মিল্লিয়ন ৫.৫ রোমগী মেপ তৌবা ঙম্মি। স্কৱার কিলোমিটর লাক্ষ ৭.৭তা লম্মিৎ–তুম্মিৎ পূন্নমক মেপ তৌবা ঙম্মি মসিনা ইন্দিয়ান কমান্দরশিংবু মিটর ০.৬৫কী হায় রিজোলূসন ইমেজশিং ফঙবা ঙমহল্লি।

অতৈ অতোপ্পা য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংগীসু ইন্দিয়ানা অসুন্না তৌবা ঙম্বগী শক্তি লৈ। লৈবাক ১৪গী স্কৱার কিলোমিটর মিল্লিয়ন ৫.৫ গী লম ঐখোয়গী সেটিলাইটশিংনা মেপ তৌবা ঙম্মি অদুবু চিনাগী মরমদদি অকুপ্পশিং খুদক্তা ফঙবা ঙমদে। ঐখোয়গী সেটিলাইটশিংনা কোনশিল্লিবসি কারটোসেট কৌবা সেটিলাইটশিং অদুদগীনি।

# সুপ্রিম কোর্টনা ইভিক্সন ওর্দর থিংখিবদগী ট্রাইবেল লাক্ষ ১১গী অৱাবা কোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***



সেন্টরনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকপদগী লৈবাকসিগী মফম কয়াদা ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা লৈরিবা ট্রাইবেলশিং তকথোক্লবগী সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী ওর্দর অদু ঙসি কোর্ট অসিনা চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা ফোরেষ্ট এরিয়াশিংদা লৈরিবা ট্রাইবেল লাক্ষ কয়াগী অৱাবা অমা কোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী ফেব্রুৱারি ১৩গী ওর্দর অমনা ষ্টেট ২১দা ট্রাইবেল লাক্ষ ১৩ রোম শোকহনবা য়ারম্বনি। লোক সাভা ইলেক্সন মমাঙ অসিদা ট্রাইবেলশিংদা অমুকহন্না থাজবা পীনবা সেন্টরগী মথক্তা অকনবা শাফু অমগী পোৎলূম নানশিল্লক্লিবনি। মসিগী য়েঙলগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ট্রাইবেলশিং অদুবু মখোয়না লৈরিবা ফোরেষ্টকী লমশিং অদুদগী ময়ূম হোংদোকহনবীদনবা লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ অসিদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখিবনি। লোক সভাদা সেদুল ট্রাইবশিংগীদমক সিট ৪৭ রিজার্ব তৌরিবনি।

মখোয়না লৈরিবা লম অদুদা মখোয়গী হক লৈ হায়বগী প্রমান পীবা ঙমদবা অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা আইননা য়াদবা মওংদা খুন্দাশিনবনি হায়বা ইমূং–মনূংশিং অদু ইনভিক্সন তৌনবা কোর্টনা ওর্দর তৌখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অসি হৌজিক চত্থরিবা কেস অমগী শরুক অমনি। কেস অসিদা পিটিসনরশিং, মরুওইনা ৱাইল্ডলাইফ এক্টিভিষ্টশিংনা মীওইবগা লমলক্কী শাশিংগা অনীগী মরক্তা মুক্লবা হন্থহন্নবা অমসুং হান্নগী চাংদা হঞ্জিনহন্নবা উমংগী লমদা আইন্না য়াদনা লৈরিবা মীওইশিংবু মফম অদুদগী তাম্থোকপা পাল্লি।

আইননা য়াদবনি হায়রিবা ট্রাইবেল ইমূং–মনূংশিং অদু অয়াম্বনা লাইরবা, লাইরিক–লাইশু হৈতবা, য়ান্না মনূং হঞ্জিনবা, অতোপ্পনা য়ৌশিনবা ঙমদবা মফমশিংদা লৈবনা মখোয়গী হকশিং অদুগী প্রমান পীবা ঙমদবনি হায়বা সেন্টরগী ৱায়েৎ অমা কোর্টতা থমখি।

সেন্টরগা লোয়ননা, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ, গুজরাতনচীংবা অতৈ ষ্টেটনচীংবনা সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী ওর্দর অদু রিভ্যু তৌনবা হায়জদুনা অপীলশিং থাঙ্গৎলকখিবনি।

# ময়াবতিনসু মোদিবু চৈখ্রে, ওপোজিসন পার্টি ২১না বি জে পিবু পোলিটিসাইজেসনগী মরান শীখ্রে



***ন্যু দিল্লি ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী মরক্তা ৱাংনা উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা মেগা ভিদিও কনফরেন্স পাংথোক্তুনা বি জে পি ৱার্করশিং অমসুং ভোলুন্টিয়ারশিংগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগগী ৱারী শান্নবা অদু লৈবাক সিগী ৱাখল ইহুল খঙদবনি হায়না বহুজন সমাজ পার্টি লূচীংবী ময়াবতিনা ঙসি চৈখ্রে।

লৈবাকসিগী অকোইবদা মফম ১৫,০০০গী বি জে পি ৱাকর ক্রোর অমা হেনবগা 'মেরা বুথ, সবসে মজবুট' হায়বা মেগা ভিদিও কনফরেন্স অমা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পাংথোক্লিবা অদুবু কোংগ্রেস অমসুং আম আদমি পার্টি (এ এ পি)নসু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা লানগী অরুবা তানফম অমা ময়োক্নরিঙৈ অমসুং লৈবাক অসিনা খোঙফম চেৎপা লিদরসিপ মথৌ তারিঙৈ তানঙ্ক..ক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল সেক্যুরিটিগী হীরমদা ৱাখল থাদবগী মহুত্তা মাগী বি জে পি ৱার্করশিংদা ৱা ঙাংদুনা পোলিটিকেলগী তোংজবা ফঙনবা হোৎনদুনা লৈথোক্লে মসিমক নেসনেল সেন্টিমেন্টপু মীনম্বনি হায়না ময়াবতিনা ত্বিটরদা হায়খি।

এ এ পী চীফ অমসুং দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মার্চ অমদগী হৌগদবা মাগী হঙ্গর ষ্ট্রাইক য়েথোকখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিনসু ঙসি পাংথোক্কদবা মখোয়গী ৱার্কিং কমিটি মীফম হান্নন তোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূরবা তানফম অসিদা মহাক্কী পার্টিগী ৱার্করশিংদা পার্টি পোলিটক্সকী ওইবা ৱা ঙাংদুনা লৈথোক্লিবসি আর্ম ফোর্সশিংগী সেক্রিফাইসশিং অদুবু অতাক অফোঙননা পোলিটিসাইজেসন তৌবনি হায়না ঙরাং ওপোজিসন পার্টি ২১না কন্না অশাওবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ইন্দিয়াগী সোভরেন্টি, য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবা মথৌতাবা থবক পূন্নমক লৌখৎলে হায়বদু লৈবাকসিদা থাজবা পীনবা গভর্ণমেন্টতা অপীল তৌখি।

পার্লিয়ামেন্ট লাইব্রেরিদা পূং ৩ চুপ্পা ওপোজিসন পার্টিগী লূচীংবশিংনা মৈ হৌনা খৎন্নখিবা মীফম অমদুগী মতূংদা পাকিস্টাননা স্পোন্সর তৌবা জৈশ –ই–মুহম্মেদনা চত্থখিবা পুলৱামা এটেক কন্দেম তৌবা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখি অমসুং টেরোরিজম মরু ফুক্না তকখাইখিবা আর্ম ফোর্সশিংবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্টানগী বলাকোটতা লৈবা টেরর কেম্প অদুদা চত্থখিবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ওপরেসন অদুবু পার্টিশিং অসিনা থাগৎখি লোয়ননা ইন্দিয়াগী মিলিটরি ইনষ্টোলেসনশিংদা এটেক তৌনবা ঙরাং চত্থরকখিবা পাকিস্টানগী খোঙথাং অদুবু কন্দেম তৌখি।

ঐখোয়গী আর্ম ফোর্সশিংনা তৌরিবা কথোকপশিং অদুবু লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী লূচীংবশিংনা ঈকাইবা খঙদবমখৈ পোলিটিসাইজেসন তৌরিবা অদু পার্টি ২১ অসিনা হকচিন্না শাওনিংবা ফোঙদোকখি হায়না ওপোজিসন পার্টিশিংগী অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অদু ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মমতা বেনরজি, এন সি পিগী শরদ পৱার, টি দি পিগী চন্দ্রবাবু নাইদুনচিংবা সেনিয়ার লিদরশিংগা লেপমিন্নরগা কোংগ্রেস চীফ রহুল গান্ধীনা মেদিয়াদা পাংথোকখি।

# পাকিষ্টানি এয়ারস্পেস অহীং নোংয়াই ফাওবা থিংজিনখিগনি



***ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***

ইন্দিয়াগা উংখৎনবা কন্না ৱাংখৎলকপদগী পাকিস্টানগী মরুওইবা এয়ারপোর্টশিংগী ফ্লাইট ওপরেসনশিং লেপখিবদগী পেসেঞ্জর লিশিং কয়া পন্দুনা লৈনরিঙৈদা লৈবাক অসিগী কমর্সিয়েল ফ্লাইটশিংগীদমক লৈবাক অসিগী এয়ারস্পেস ঙসি শগোলশেন নুমিৎকী অহীং নোংয়াই ফাওবা থিংজিন্দুনা থমগনি হায়বা সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটিনা লাওথোকখ্রে।

ওইরক্লিবা সেক্যুরিটিগী ফিভম অসিগী মরমদগী পাকিস্টাননি এয়ারস্পেস থিঙজিনখ্রে হায়না এভিয়েসন ওথোরিটি অদুনা ঙরাং লাওথোকখি। নুমিৎতুদা কোন্না সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটিনা কমর্সিয়েল এভিয়েসন মচেৎ ওইনা খরা হৌরে, কারাচীগী জিন্নাহ ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী পাইবা হৌরে হায়না নুংতিগী ফোঙবা পাউ–চে দোননা হায়খি। অদুবু মদু কোন্না অমুক তোকখি।

ঙসি শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী অঙনবা পূংজাদা অতোপ্পা ত্বিট অমদা এভিয়েসন ওথোরিটিনা মচেৎ ওইনা এয়ার ওপরেসন অমুক হৌরে হায়বদু অমুক হন্দোকখি। অদুগা হান্না থিঙজিন্দুনা লৈবা অদু অদুমক হৌজিক ফাওবা থল্লি হায়খি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা লৈবাক পোকপা নুমিৎতা পাকিস্টানদা টেরর বেজশিংগী মথক্তা এটেকশিং চত্থরকখিবা অদুদগী লৈবাক অনীসিগী মরক্তা উংখৎনবা ৱাংখৎলকপদগী এয়ারপোর্ট থিংজিনবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

পাকিস্টানদা পাইথোক–পাইশিন তৌগদবা ইন্টরনেসনেল অমসুং দোমেষ্টিক ফ্লাইট চা কয়া ককথৎখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা পেসেঞ্জর লিশিং কয়া মফম কয়মরুমদা লমদন্দুনা লৈহনখ্রে।

পাকিস্টানগী মথক্তা পাইগদবা ফ্লাইট পূন্নমক থাই এয়ারৱেজ না ককখিবদগী ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা বেঙ্কোকতা পেসেঞ্জর লিশিং কয়া পন্দুনা লৈনখ্রে।

এয়ার ইন্দিয়া, জেট এয়ারৱেজ, কাটার এয়ারৱেজ অমসুং সিঙ্গাপোর এয়ারলাইন্সকুম্বা তোঙান তোঙানবা এয়ারলাইন কয়ানা পাকিস্টাননা মখোয়গী এয়ার স্পেস থিঙজিনখিবদগী মখোয়গী ফ্লাইটশিং অদু অমুক হল্লক্লে হায়না ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা লাওথোকখি।

# পাকিস্টাননা ফারিবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স পাইলোট থাদোক্নবা ফতিমা ভুতোনা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরদা অপীল তৌরকখ্রে



***ৱাসিংটন, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***

নোংথক্কী লান অমগী মতূংদা পাকিস্টাননা ফাখিবা ইন্দিয়া এয়ার ফোর্সকী পালোট অমা থাদোক্নবা হান্নগী পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর জুলফিকর আলি ভুতোগী মশুনুপী অইবী ফতিমা ভুতোনা ঙরাং য়ুশকৈশা নুমিৎতা পাকিস্টানগী ইমরান খান গভর্ণমেন্টতা অপীল তৌরকখ্রে।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী পাইলোট অদু মাগী মিগ ২১ বিসোম এয়ারক্রাফতগী শোয়–ঙামদনা ইজেক তৌখি অদুবু লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমা পাকিস্টানগী লমদা তাবদগী ঙরাং ফাখিবনি।

পিছ, হ্যুমেনিটি অমসুং দিগিনিটিদা ঐখোয়না লৌরিবা ৱাখল ফিরেপ অদুগী ইঙ্গিৎ অমা ওইনা ফারবা ইন্দিয়ান পাইলোট অদু থাদোকখিনবা ঐহাক অমসুং অতৈ পাকিস্টানি নহা কয়ানা ঐখোয়গী লৈবাক্তা অপীল তৌরি হায়না মশাগী চহী ৩৬ শুরবী ফতিমা ভুতোনা ন্যু য়োর্ক টাইমসতা ইখি।

ঐখোয়না লান্দা পূন্সি অমা লেনখ্রে। ঐনা পাকিস্টানি লান্মীশিং শিবা অদু উবা পামদ্রে। ইন্দিয়ান লান্মীশিং শিবা উবা পামদে। ঐখোয়গী সবকন্টিনেট অসি মমা–মপা লৈতবশিংগী লৈবাক ওইহল্লোইদবনি হায়না পাকিস্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনারজি ভুতোগী মচীন–মৌপাগী মচানুপী ফতিমা ভুতোনা হায়খি।

ঐগী পাকিস্টানগী জেনরেসননা রাইট টু স্পিককীদমক লান্থেঙনখ্রে, খ্বাইদগী হেন্না অচুম্বগী মরম ওইরিবা শান্তিগীদমক ঐখোয়না ৱা ঙাংবদা অকীবা লৈতে হায়না জুলফিকর অলি ভুতোগী মচানুপা মুরতাজা ভুতোগী মচানুপী অসিনা হায়খি।

ঐহাক্না ঐগী লৈবাক অসিনা য়ূমলোন্নবগা শান্তি ওইনা লৈবা হায়বদু অমুক্তা উখিদ্রি। অদুবু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়নরবা লৈবাক অনীগী মরক্তা শোক্লবা লান অমা হায়বদু মমাঙদা ঐনা অমুক্তা উখিদ্রি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# গাজা মীহাৎশিংগীদমক ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিং শোয়দনমক ৱায়েল ময়োক্নগদবনি ঃ য়ুনাইটেদ নেসন্স



***জিনেভা ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***

হৌখিবা চহীদা গাজাদা চয়োলগী ওইনা পাংথোকপা প্রোটেষ্টশিংদা পেলেষ্টিনিয়ান ১৮৯ হাৎখিবা অমসুং ৬,১০০ হেন্না শোকহনখিবা অদু ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওইবা জাতিগী মথক্তা চত্থরকপা ক্রাইমনি অমসুং ৱার ক্রাইমশিংনি হায়না ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা য়ুনাইটেদ নেসন্স ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খে।

ইন্দিপেন্দেন্ট পেনেল অদুনা মীহাৎশিং অদু স্নাইপরশিং অমসুং কমান্দরশিংননি হায়বগী থাজনিঙাই ওইবা থাজনীঙাই ওইবা পাউ ফঙলে হায়খি।

পেলেষ্টিনিয়ান দেমোষ্টেটরশিং অদুনা চুন্নতা প্রোটেষ্ট তৌজবনি মখোয়না কনাগুম্বা অমত্তদা হাৎনবগী নৎত্রগা শোকহন্নবগী হোৎনখিবা লৈতে অদুবু মখোয়বু ইজরেলগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈনা কাপখিবনি।

গাজা টেরিটোরিবু ইজরেলনা থিংজিন্দুনা থমজিল্লিবদু কোমথোকহন্নবা অমসুং মফমদুদা লৈরিবা পেলেষ্টিনিয়ান রিফ্যুজিশিংনা ইজরেলদা মখোয়গী য়ুমশিংদা অমুক হন্নবগী হক অদু শকখঙগদবনি হায়দুনা হৌখিবা চহীদগী হৌনা পেলেষ্টৈনিয়াগী গাজা ষ্ট্রিপ অমসুং ইজরেলগী মরক্তা লৈবা ঙমখৈদা প্রোটেষ্টশিং তৌবনি।

গাজা ষ্ট্রিপ হায়রিবসিদা পেলেষ্টিনিয়ান মিল্লিয়ন ২ রোম লৈ মখোয় অয়াম্বদি ১৯৪৮তা ইজরেল কৌবা লৈবাক অসি লিঙখৎখ্রবগী তূংদা মফম অদুদগী চেল্লকপা নৎত্রগা তাম্থোক্লকপা মীওইশিংগী মরৈবাক লৈজদ্রবা শুথাংশিংনি।

অর্জেন্তাইন লিগেল এক্সপার্ট সান্টিয়াগো কেন্টননা লূচীংবা পেনেল অদুনা হায়খি, ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী লনাই লান্মীশিং অদুনা অতন্ননা খূৎ থোক্লবদা য়াওদবা নৎত্রগা অকী তূজুং অমা পীরক্লিঙাই ওইবসু নৎতবা পেলিষ্টিনিয়ান মীচমশিং হাৎখি অমসুং শাথিনা শোকহনখি। মখোয়না চত্থরিবা হীংশা–য়াইতম্বশিংগী মনূংদা হীংশা খরদি ৱারক্রাইম নৎত্রগা ক্রাইম এগেন্স হ্যুমেনিটি চীংই মরম অদুনা মখোয়বু শোয়দনমক ইজরেলনা খুদক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ইজরেলগী ফোর্সশিংনা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটেরিয়ান লো থুগাইদুনা মখোয়না হাৎখিবশিং অদুগী মনূংদা অঙাং ৩৫, পাউমী ২ অমসুং পেরামিদিক্স হায়না য়ান্না ময়েক শেঙনা থাবা অহুমশু য়াওখি।

হৌজিক পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা ঙমখৈদা চত্থরিবা প্রোটেষ্টশিং অসি 'দ গ্রেট মার্চ ওফ রিটরন' হায়না কৌই। মসি গাজাগী মীওইশিং অদুনা মখোয়গী মপা–মপুশিং অদুনা চেলক্লিঙৈ নৎত্রগা মখোয়বু নমদুনা তাম্থোকত্রিঙৈ মমাঙদা ময়ূম লৈবাক ওইরম্লা মফম অদুদা অমুক হন্নবগী হক অদু তাল্লি।

সমুদ্রা তোৰ্ব্বানদা লৈবা টেরিটোরি অসি পেলিষ্টিনেয়ানগী ইস্লামিষ্ট গ্রুপ হামাজনা লৈঙাক পায়রি। হামাজ হায়রিবসি নোংচুপ লৈবাকশিংনা টেরোরিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লৌরি অমসুং ইজরেলগা লান ৩ শোক্লখ্রে।

# ট্রম্প–কিম ন্যুক্লিয়ার ৱারীদা য়ান্নবা অমত্তা পুরকখিদ্রে

***হানোই, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ***



ট্রম্পনা হানোইগী মেট্রোপোল হোটেলদা ফেব্রুৱারি ২৮, ২০১৯দা মখোয়গী অনীশুবা সম্মিট পাংথোকখি। য়ান্নবা

ভিয়েটনামগী হানোইদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট দোনল্ড ট্রম্পকা নোর্থ কোরিয়াগী লূচীংবা কিম জোং উনগা কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই লৈহন্দনবগী পান্দমদা ৱারী শানখিবা অদু ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা য়ানবা অমত্তা য়ওদনা লোয়শিনখ্রে। লূচীংবা অনী অদুনা মখোয়গী ৱারী শান্নবদু তেনশিনখি হায়না হ্বাইট হাউসনা হায়খি।

মখোয়না য়ান্না অফবা অমসুং কান্ননিঙাই ওইবা মওংদা উন্নখি অমসুং ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই লৈহন্দনবগী অমসুং শেন–থুমগী মতাংদা হীরম কয়াদা খন্নখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা হ্বাইট হাউস প্রেস সেক্রেটরি শারহা সেন্টরসনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী লূচীংবা কিম জোং উন অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট পুরকখিদ্রিবসি, হৌবদগী হৌনা য়ু এসকী ট্রম্পনা হাথু হাথুনা দিল অমা হেক্তা তৌনরোই হায়না মাঙজৌননসু ফোঙদোকখ্রবনি।

সনা–সুদোকু –৫৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 6 | 7 | 2 | 1 | 5 | 3 | 8 |
| 3 | 7 | 8 | 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 | 6 | 1 | 7 |
| 6 | 9 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 |
| 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 8 | 4 | 5 | 9 |
| 5 | 6 | 9 | 1 | 7 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 6 | 5 |
| 8 | 2 | 3 | 6 | 5 | 9 | 1 | 7 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-54**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | | 5 | | 1 | | 3 |
| 2 | | 7 | 1 | | | | 4 | |
| | 5 | | | 3 | 7 | 8 | | |
| 9 | 1 | | 5 | | | | 3 | |
| | 7 | 2 | | | 8 | | | 5 |
| | 8 | 3 | | 7 | | | | 2 |
| | | 5 | 8 | | 3 | 2 | | |
| 1 | | | 7 | | | 3 | | |
| 3 | | | | | 2 | | 5 | |

## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 10/01/19
Valid : 31/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 19/01/19
Valid : 15/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 19/01/19
Valid : 12/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 22/01/19
Valid : 02/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 28/01/19
Valid : 02/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 19/01/19
Valid : 18/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.